**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী বিধান সভা কেন্দ্র ৬০ মক্কী ফাইনেল ফোটো ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংলে। অপুনবা ভোতর মশিং লাখ ২০ লিশিং ৫৪,৩৮৭ শুরে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভালানা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলদা মখোয়না পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে।

৩) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি রাজ্য সরকারনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ঙামী ৬০০ লোমদা ফিসরমেন কার্দ য়েন্থোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি জম্মু কাশ্মীর, উরিষা অমসুং তেলঙ্গনাগীতোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হৌনখ্রে।

অমসুং

৫) ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙসি মাওইষ্টশিংনা চথরকখিবা বোমগী এটেক্তা লান্মী ৮ অমদি গাড়িগী দ্রাইভর অমা শিরে।

------

রোল (এল)ঃ মণিপুরগী বিধান সভা কেন্দ্র ৬০ মক্কী ফাইনেল ফোটো ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংলে। অপুনবা ভোতর মশিং লাখ ২০ লিশিং ৫৪,৩৮৭ শুরে। মসি হান্না ফোংখিবা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলদগী ভোতর

লিশিং ১৯,৭২৭ হেনগৎলে। অপুনবা ভোতর অসিগী মনুংদা নুপী ভোতর লাখ ১০ লিশিং ৬১,৯৭৯, নুপা ভোতর লাখ ৯ লিশিং ৯২,১৪০ অমসুং থার্দ জেন্দর ২৬৮ য়াওরি।

লমফেলপাৎতা লৈবা রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা সি.ই.ও, প্রদিপকুমার ঝানা হায়- রিভিজন পেরদতা নৌনা হাপচিনখিবা ভোতর মশিং অসি লিশিং ২৯,৪৬৮ নি। রিভিজন পেরদ অসিগী মনুংদা পুন্না ভোতর লিশিং ৯,৭৪১ লিষ্টতগী ককখি। ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল অসিদা য়াওরিবা সার্ভিস ভোতর মশিংনা লিশিং ২১,১৪৮ নি।

মহাকা মখা তানা হায়- নৌনা ফোংলবা ফাইনেল ফোটো ইলেক্তোরেল রোল অসি য়েংনিংবা মীয়ামা মরী লৈনবা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার নত্রগা বুথ লেবেল ওফিসারশিংগী ওফিসতা চত্তুনা য়েংলবা য়াগনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভালানা ঙসি রাজ ভবনদা নেসনেল হাইৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদকী ইকজিক্যুতিভ দাইরেক্তর এম.এস. দেবালগা উন্নদুনা কোর্পোরেসন অসিনা হৌজিক পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- উন্নবা অদুদা কোর্পোরেসন অসিগী একজিক্যুতিভ দাইরেক্তর এম.এস. দেবালনা রাজ্যপালগা হৌজিক কোর্পোরেসন অসিনা পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংগী মতাংদা মরিক চুমা পাউদমখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কদবা বিক্সিত ভারত য়ং লিদর দাইলোগতা শরুক য়াগদবা মহৈরোই ১৪ গসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। হায়রিবা মহৈরোইশিং অসিনা দাইলোগ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

জিরি (এল)ঃ পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ১০৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা জিরিবামদগী ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- মাল পুবা গাড়িশিং অদু সি.আর.পি.এফকী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা কনভোই অনি থোকা পুশিনখিবনি। হৌজিক জিরিবামদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি অমত্তা পন্দুনা লৈহৌদ্রে।

ঙা (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি রাজ্য সরকারনা বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ পার্ট ৱানদা লৈবা হাওরেং চীংঙাং কম্যুনিতি হোলদা ফিস ফারমরস এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা ঙামী ৬০০ লোমদা ফিসরমেন কার্দ য়েন্থোকখ্রে। কেন্দ্রগী নেসনেল ফিসরিজ দিজিতেল প্লেটফোর্মগী মখাদা ঙামীশিংদা ফংহল্লিবা কার্দ অসিনা মখোয়দা প্রধান মন্ত্রি মটস্যা কিষান সম্রিধি সাহ য়োজনাগী তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং পীবগা লোয়ননা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী লেমা লাইফ ইন্সুরেন্সকী শেনফম ফংহনবা য়াওরি।

রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসরিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিদা মণিপুরগী ঙামীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। ঙসি য়েন্থোকখিবা কার্দশিং অসিনসু ঙামীশিংদা মখোয়গী পুন্সিদা অমদি শেনমিৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। মসিগা লোয়ননা কেন্দ্রগী প্রধান মন্ত্রি মটস্যা কিষান সম্রিধি সাহ য়োজনা অসিনা ঙামীশিংদা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

য়ুপিএফ (এল)ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা চিরবা তানফম অসিদা লুপশিংনা পুনশিন্নদুনা থবক তৌমিন্নশি হায়না য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুরগী এদভাইজর খোমদ্রাম রতন্না ফোংদোকখ্রে।

যু.পি.এফনা শিন্দুনা চথুরক্লিবা ১৯১ শুবা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ্কা মরী লৈননা দিভলপমেন্ট প্রোটেক্সন য়ুনাইতেদ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন নম্বোল অমসুং নম্বোল অপুনবা নুপী লুপকা খুৎশমদুনা ঙসি নম্বোল কৈথেলদা পাঙথোকখিবা ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইশি হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শ্রী রতন্না হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োকরি। ইরাং অসি সরকারনা পুকচেল শেংনা হোৎনদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবীয়ু ।

ঙারি (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চথুগদবা য়োন্নবগীদমক উতোং ঙারি পুথোকপা হায়বসিদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কলেজ, খুরাই শাজোর লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টতা হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ কোনশম জবোশখি দেবী, বাইওলোজিকেল সাইন্সেস মণিপুর ইন্তরনেসনেল য়ুনিভর্সিতিগী দিন- এসোসিয়েট প্রোফেসার অজিৎ কুমারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী চান্নরক্লিবা চীঞ্জাকশিং অসি য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

উত্রা (এল)ঃ উত্রা শঙলেন সনাকোনুংদা ঙসি অয়াং ওইরেল ইরুপ্পগী লাইথৌ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু নিংথৌ সনাজাউবা লৈশেম্বা, এম.পিগী লমজিং মখাদা উত্রা শঙলেনগী অঙম অথৌশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা জম্মু কাশ্মীর, উরিষা অমসুং তেলঙ্গনাগীতোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদমশিং অসিগী লম্বী থোংগী খুদোংচাবা হেনগৎহল্লগনি।

অনৌবা প্রোজেক্টশিং অদু শঙ্গাবা অমদি যাত্রা হুনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- জম্মু কাশ্মীর, তেলঙ্গনা অমসুং উরিষাদা ঙসি

পায়খৎলিবা অনৌবা রেলৱেগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসিনা লমদম অসিগী তুরিজম অমদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। মাংজিল থাবা ভারত অমা পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা অসিগুম্বা রেলৱেগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি চাওখৎহনবগী য়ামা তঙাইফদবা লৈ। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী রেল লম্বীশিং অসি চাদা চামা ইলেক্ট্রিফিকেসনগী থবক লোইশিল্লক্লে।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী রেলৱেজ মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণো, উরিষাগী মুখ্য মন্ত্রি মোহনচরন মাঝি, জম্মু কাশ্মীরগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লা, তেলঙ্গনাগী মুখ্য মন্ত্রি রেবান রেদ্দিনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙসি মাওইষ্টশিংনা চখরকখিবা বোমগী এটেক্তা লান্মী ৮ অমদি গাড়িগী দ্রাইভর অমা শিরে। থৌদোক অদু রাজ্য অসিগী বিজাপুর জিলাগী মনুং চনবা বস্তর দিভিজনগী কুত্রু পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা অম্বেলি মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদু দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ (দি.আর.জি)গী জৱান ৯ গাড়ি অমদা তোংদুনা দান্তেৱারাদগী হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি। মখোয় জোইন্ট ওপরেসন অমা য়াওরুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বী কুত্রু-বেদ্রে রোডতা বোম য়াওনা এম্বুস তৌরকপদা দি.আর.জিগী জৱান ৮ অমদি গাড়ি অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অদু শিখিবনি। অদুগা জৱান অমনা থিবা খঙদনা লৈরি।

অমরোমদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ছত্তিসগরগী বিজাপুরদা আই.ই.দি পোকখায়হন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী পার্সোনেলশিং হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী অমিত সাহনা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- লান্মীশিং অসিনা কৎথোকখিবা অসি লেমা মাংলোই অমদি লৈবাক অসিদা মথং চহিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা নক্সলাইট মরু ফংনা মুত্থৎকনি।

দিল্লি ঃ দিল্লি পুলিসনা সহর অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থখিবা অখন্নবা দ্রাইভতা আহন্না য়াদবা মওংদা লোন্না লৈরম্বা বঙ্গলাদেশি ৯ ফাগৎপা ঙমখ্রে। দিল্লি পুলিসনা আইন্না য়াদবা মওংদা সহর অসিদা মীরৈবাক মচাশিং লৈবা থিংননবা চত্থরকখিবা দ্রাইভকী মনুং চন্না মখোয় ৯ অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা বঙ্গলাদেশিশিং অদু মরমদা হল্লহনখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দিল্লি পুলিসকী দি.সি.পি এম. হর্সবধর্ননা হায়- সহর অসিদা আইন্না য়াদবা মওংদা লৈশিল্লিবা মীরৈবাক মচাশিং ফাগৎননবা দ্রাইভ মখা তানা চত্থখিগনি। দ্রাইভ অসিগী মনুং চন্না পুলিসনা ইম্মিগ্রেসন দাতা তোইনা চ্যেক তৌবগী লোয়ননা কোইনা চত্তুনা ভেরিফিকেসন তৌবগী থবকসু চত্থরি।

পাকিস্তান ঃ পাকিস্তান্না য়ুমলোন্নরিবা আফগানিস্তানদা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থদুনা নুপী অঙাং য়াওনা মীচম হাৎখিবগী থৌওং অদু ভারতনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী স্পোক্সপার্সন ওইরিবা রন্ধির জৈসৱালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- আফগান মীচমশিংদা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থবদগী মীওই কয়া শিরে হায়বা মিদিয়া রিপোর্ট ভারত সরকারনা ফংলে। অসিগুম্বা মীচমদা লান্দাবগী থৌওং অসি ভারতনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মসিগা লোয়ননা পাকিস্তান্না মশাগী লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা শংতাইনবা পুরকপা ঙমদ্রবা মতমদা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা মরাল শিবগী থৌওং অসি মতম কয়াগী মমাংদগী চত্থদুনা লাকপা থৌওংনি। পনবা য়াবদি, মমাং চহিগী দিসেম্বর ২৪ দা আফগানিস্তানগী মফম খরদা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা পাকিস্তাননি তালিবান লোৎতুনা লৈরে হায়দুনা পাকিস্তান্না চত্থখিবা এয়ার ষ্ট্রাইক্তা মীওই ৫০ হেন্না শিরে হায়না মিদিয়াদা ফোংদোকখিবনি।

অমরোমদা, পাকিস্তানদা থাংজ নুমিৎতা খা থংবা বলোচিস্তানগী তুরবাদ মনাক্তা বলোস লিবরেসন আর্মি (বি.এল.এ)না পাকিস্তান লান্মীগী কনভোই অমদা সুসাইদ এটেক তৌবদা য়ামদ্রবদা সেক্যুরিতিগী মীওই ৪৭ শিরে, ৩০ হেন্না শোক্লে। পাকিস্তান লান্মীশিং অদু পুন্না গাড়ি ১৩ দা করাচিদগী তুরবাদতা

লৈবা ফ্রন্তিয়ার কোর হেদক্কাটর তমা লাকখিবনি। মদুদা বি.এল.এগী কাংবুনা বোম পোকখায়হন্দুনা লান্দারকখিবনি। বি.এল.এনা পাকিস্তান লান্মীবু বলোসকী মীচম মীয়াম ওৎ নৈবা, নোংমৈ কাপশিনদুনা হাৎপা অমসুং মীওই কয়া ফাখ্রগা মাংহনখিবগী থবক চৎথৈ হায়না মরাল শিরি।

ভাইরস ঃ করনাতক্তা হুইমেন মেতানিউমো ভাইরস (ঐচ.এম.পী.বি) পোজিতিভ ওইবা অনি থেংনরে। হকশেল মন্ত্রালয়না হায়- অনৌবা ঐচ.এম.পি.বি কেস অনি অসি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্সনা থেংনরকখিবনি। হৌজিক হকশেল মন্ত্রালয়না ভাইরস অসি য়ামা কুপা য়েংশিনবগী থবক চত্থরি। লায়না অসি থা অহুম শুরবা অঙাং নুপীমচা অমগা থা ৮ শুরবা নুপামচা অমগদা নাবা থেংনখিবনি। হৌজিক অঙাং অনি অসিগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি। ঐচ.এম.পি.বি ভাইরস অসি অনৌবা নত্তে, মসি হান্নগী অদুমক লৈরবনি। মরম অদুনা মীয়ামা মীপাইবীদনবা হকশেল মন্ত্রালয়না আপীল তৌরি।

সিতারামন ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙসি নিউ দিল্লিদা বজেৎকী মাংওইননা ত্রেদ য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং অমসুং অতৈ মরী লৈনবা মীওইশিংগা ৮ লক শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী কেন্দ্রগী বজেৎ পুথোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা পাঙথোকপনি। মীফম অদুদা শেল থুম রাজ্য মন্ত্রি পঙ্কজ চৌধরিসু য়াওখি।

বি.জে.পি ঃ বি.জে.পিনা ঙসিসু আম আদমি পার্তিগী কনভেনর অরবিন্দ কেজ্রিৱালবু মহাকা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈদা ময়ুম শাবদা কা হেন্না শেল থাদৈ হায়না মরাল শিবা লেপত্রি। সি.এ.জিগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা দিল্লি বি.জে.পিগী মকোক বিরেন্দ্র সচদেবনা হায়- কোবিদ নাইন্তিনগী মতমদা সহরদুগী মীয়ামা ৱানরিঙৈ চৈরক্তা কেজ্রিৱালনা মহাক্কী সিশ মহল অদুগী ইষ্টিমেটতা সহি তৌখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু ৱিকেট ৬ তা থোইখে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি খাঙবোক পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- আই.বি.এস.এ-য়ুমাম লৈকাইনা সেদো-থাংমৈবন্দবু ৱিকেট অহুমদা অমদি ওস্কার-পাউনা বজারনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু রন-২২ দা থোহখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা বি.এস.সি ব্রহ্মপুরবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

ভোল্লিবোল (এল)ঃ ওল মনিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিং খুনৌ য়ুথ ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপা অহানবা রাজ্য থাক্কী জ্নিয়ার ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এ.এম.আই.এম.ৱাই.দি.ও ময়াং ইম্ফালনা নোনুমাবু সেট ৩-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা পাময়াল গ্রাউন্দ পাৎশোইদা চত্থরিবা ১২ শুবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.টি.এস.য়ু মালোম অমসুং এস.জে.সি শলাম পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ সোসিএল ৱাকর কংগ্রেস-খোঙমনগী গ্রাউন্দদা চথরিবা তরেৎশুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসিগী মেটচতা কে.এস.সি কোংবনা বি.পি.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা- এ.ভি.এনা ৱাই.ভি.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি, দব্লিউ.পি.সিগা কে.বি.ৱাই.সিগা শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

ফুটবোল (এল)ঃ শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতিন সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গোল্ডন এফ.এনা এল.এস.আই.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা অতিঙা এফ.সিনা রোমেন এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

আর্ম রেষ্টলিং (এল)ঃ মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিয়েসনগী মখাদা ৩৯ শুবা ষ্টেট আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ থা অসিগী ২২ দগী ২৫ ফাওবা ভগ্যবতি লৈকাইদা লৈবা য়ু.ৱাই.ও কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদু উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগনি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংগা থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওননবা খঙহল্লকি।

------